# মশা চাননবা শা-ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবা

**সরাংথেম জেসমারানি**





মশা চাননবা শাশিং পুথোক পুশিন তৌনবা হোৎনবদা শা-ষণশিংসি অশোয় অঙাম য়াওদনা লূ-নান্না মখোয়বু শা শেন্স্ফম মফম ফাওবা পুবিগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা শা ষণশিংদা করিগুম্বা মখল অমতগী অৱাবা, চোকথবা অমত্তা লৈহনবিরোইদবনি অমদি য়াম্না শাংনা পুবিদনবা হোৎনবীগনি।

**গাড়ীদা হাপতোক হাপচিন তৌবা ঃ**

মশা চাননবগী শা-ষণশিং লম শাংনা মফম অমদগী অমদা গাড়ীদা পুবা মতমদা শাশিং গাড়ীদা অমুক হাপচিন অমুক লৌথোক তৌবা মতমদা শা-ষণশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওইহল্লি। গাড়ীদা শা-ষণশিং হাপ্পা মতমদা নিংথিনা হাপ্পীহৌদ্রগদি অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরগা তুশিনবা নৎত্রগা অশোক অপন কয়া অমা থোকহল্লি। কালেনগী মতমদা শাশিংসি খরা লাপ্না পুবীগে হায়রবদি অয়ূক অঙনবদা ওইনা পুবিবনা ফৈ। নিংথমথাগী মতমদনা অয়ূক নুংশা খরা থোক্লগা পুবিবনা হেন্না ফৈ। অদুবু নুমিদাংগী মতমদা পুবনদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। গাড়ীদা মতম শাংনা পুবা তারগদি লম্বীদগী ঈশিং অফবা পীথকপীগনি । মসিদসু নত্তনা মফমদুদা ফংবা শজিকসু পীজবিহৌগনি অদুবু কা হেন্না পীজবিবদি খক তৌবিরোইদবনি।

মফমসিদদি শাশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা ত্রেন লৈতবনিনা ত্রক্তা পুবনা খ্বাইদগী ফবা গাড়ী অমা ওইরে অদুবু ত্রক্তা চৎপা মতমদা কিলোমিটর ৫০০ নৎত্রগা পুং ১০-১৫ ফাওবদি লেপ্তুনা চৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা লমশাং চৎপা মতমদা পুং ১২ দগী হেনবা তারগদি লমখাংদা ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক পীজনবা হোৎনবীগনি।

**শা-ষণশিং পুগদৌরিবা গাড়ীগী মওং ঃ**

☞ গাড়ী মনিংদা শাশিং হাপ্পা হৌদ্রিঙৈদা মনিংগী অকোয়বদু শোক্তনবা খরা থান্না খাজিনবীগনি।

☞ মরক্তা কম্পার্টমেন্ট খরা খাইদোকপীগনি। মসিগী অৱাংবনা ষণদনা মিটর ১.২৭ অদুগা হামেং অমদি ওক্তনা সেন্টিমিটর ৭৬ ওইগনি। কম্পার্টমেন্টশিংদা শাশিং থম্বা মতমদা য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা চঙনবা খরা কোম্না থম্বীগনি।

☞ শাশিং থমগদৌরিবা গাড়ী মনিংদুগী লৈমায় অদু য়াম্না নালহনবীরোইদবনি। লৈবাক নৎত্রগা লৈঙোই ইঞ্চি ৪-৭ মুক থানা থাবীগনি।

☞ করিগুম্বা মতমদা গাড়ী মনুংদু মরোন অনী থোক্না লৈবা তারগদি মথক্তা কাখৎফম তোঙান্না থম্বীগনি।

☞ কম্পার্টমেন্ট মনুংদা শাশিং কোয়চেন চেনদনবা পুল্লগা থম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

**শাশিং পূন্না পুমিন্নবা য়াদবা খরা ঃ**

☞ মচা চেল্লবী ষণবী অমদি ষণ লাবা থা ১০ গী মখাদা লৈবা।

☞ ওক মচাগা কোন্ননা লাবা থা ৬ কী মথক্তা লৈবা।

☞ পুল্লগা পুবা শাশিংগা পুন্দনা লৈবা শাশিংগা পূন্না পুমিন্নবা য়াদে অদুবু মখোম খাইদ্রিবশিংগীদি মপীগা পূন্না পুবদা অকায়বা লৈতে।

☞ শা অমগা অতোপ্পা শা অমগা পূন্না পুবিরোইদবনি।

☞ মচি পানবা শাশিংসি পূন্না পুবিরোইদবনি।

**শা পুথোক পুশিন তৌবদা চেকশিনগদৌবা খরা ঃ**

☞ শাশিং মফম অমদগী অমদা পুবা মতমদা মখোয়বু শেন্নবিনবা মী অমা য়াওবীগনি।

☞ শাশিং গাড়ীদা পুখৎপা অমদি পুথবা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা চেকশিনবীগনি।

☞ মতম চুপ্পদা ঈশিং ৱাৎতনা পীথকপীগনি অমদি য়ামদ্রবদা পুং ১২ খুদিংগী মচিঞ্জাক পীজবীনবা হোৎনবীগনি।

☞ কিলোমিটর ৫০০ গী মথক্তা হেন্না পুবিবা তারগদি তোঙানবা মওংদা পুনবা শাশিংনা লৈবদা হেন্না নুংঙাইনবা শেম্বীগনি।

☞ চৎপা হৌদ্রিঙৈ পুং ১ ৱাৎলিঙৈদা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।

☞ কিলোমিটর ১০০০ অমা হেন্না পুবা তারগদি শাশিং গাড়ীদগী অমুক পুথবীরগা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং নিংথিনা পীজবীগনি অদুগা অমুক গাড়ীদা হাপকৎপীগনি। মসিনা শিবা অমদি শোকপগী চাং হন্থগনি।

**গাড়ীদা পুবগী শাশিংগী থম্নবা মফম ঃ**

☞ ওক - ০.৪২ স্কার মিটর

☞ হামেং/য়াও - ০.২৫৫ স্কার মিটর

☞ ষণাও মচা - ০.৩২৫ স্কার মিটর

☞ ষণ - ০.৫১ স্কার মিটর

**ত্রক্তা ষণশিং পুবা ঃ**

☞ ষণশিং ত্রক্তা হাপ্লগা পুবিবা তারগদি ত্রকতুগী সাইজগী মতুং ইন্না শাশিং হাপ্পীগনি। ত্রক অমদা ষণ হাপ্পা য়ারিবসি য়ামদ্রবদা ৬ নি।

☞ ষণশিং পুবগী খ্বাইদগী ফবা মতমসি নুমিদাংদনি। ত্রক্তা হাপত্রিঙৈদা লৈঙোই নৎত্রগা লৈবাক হাপ্লবা মতুংদা চরু অমুক থাবীরবা মতুংদা ষণ অমুক হাপ্পীগনি।

☞ ষণ ত্রক্তা হাপ্পগী মওংসি রো নাইনা মায় মায় ওনশিনবীগনি অদুগা রো অনীগী কারক্তা মিটর ১.৫ মুক খারগা থম্বীগনি।

☞ গাড়ী থৌবা মতমদা গাড়ীগী স্পিদসি পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাংদা থৌবিগনি।

**ত্রক্তা হামেং অমদি য়াওশিং পুবা ঃ**

☞ ত্রক অমদা হামেং নৎত্রগা য়াও ৩০ মুক পুবা য়াই।

☞ মিটর ২-৩ খুদিংগী খাজিল্লগা থম্বীগনি, কা হেন্না চিন্না থম্বীরোইদবনি।

☞ পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবীগনি।

☞ পুবা মতমদা কা হেন্না পীজবিরোইদবনি অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।

**ত্রক্তা ওকশিং পুবা ঃ**

☞ মখোম খাইবদা ঙাইরিবা ওকশিং, ওক হাতমশিং, মপী অমদি চাজেনবী ওকশিং ত্রকতা পুবা তারগদি ওক অমমমদা ০.৩, ০.৪৫, ০.৬০ অমদি ১.২ স্কার মিটর লাপ্লহনগনি।

☞ ওকশিং পুবা মতমদা খরা শাংনা মতম চঙদনবা ওইরগদি নুমিদাংৱাইরমদা পুবনা খ্বাইদগী ফগনি।

☞ পুথোক পুশিন তৌরিঙৈদা শ্বর ফুনগত্তনবা হোৎনবগা লোয়নননা অশেংবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহনবীগনি।

☞ নুংশা য়াম্না শারিঙৈ মতমদা ওক পুথোক পুশিন তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা পুবা তারগদি লম্বীদা য়াম্না তোয়না ঈশিং অইংবা চাইশিন্দুনা ঙম্লিবমখৈ মৈশাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

☞ গাড়ী মনুংদা লাংদনবা অমদি চিক্না খোৎনদনবা লোয়নননা পুথোক পুশিনগী চৈনাখোল (ত্রানসিৎ ষ্ট্রেস) দগী খঙহৌদনা শিবা থোক্তনবা ভিটামিন ঈ লোয়নননা ত্রাংকুইলাইজর কাপথোকপীগনি।

☞ থাংদোক থাংজিন অমসুং পুথোক পুশিন তৌরমদাইদা ওক খুদিংমক মবুক থন্না পীজবিরোইদবনি।

☞ করিগুম্বদা ওকোন মনুংদা চহী চুপ্পা ফাজিন্দুনা থম্বা ওকশিং মফম অমদগী অমদা হোইদুনা পুবা মতমদা চৎলু য়াদবদগী ফু চৈদুনা কাও-থিন্দুনা অমদি নম্ফুদা ইন্দুনা পুবিরোইদবনি। মসিদগীসু মখোঙ মখূৎ অমদি মখ্বাংদা অতেক অকায় থোকহনবা য়াওই। অদুগা অমনা ওক্তা ফুবা মতমদা কৈদৌঙৈদসু মখ্বাংদা চৈনা করিনা হাইদুনা অকনবা শাফু পীরোইদবনি। মসিদগী খুদুঙ অনীমক পেরেলাইসিস তৌহন্দুনা হৌগৎপা ঙমদবা য়াম্না তোয়না থোকই।

☞ অনকপা মফম অমদা নৎত্রগা লৈমায়দগী গাড়ী মথক্তা হাপকৎপা মতমদা মশাগী অরুম্বা কিলো ৪০-৫০ লুম্বা ওকশিংগীদি মনা অনী, মমৈগী মখোঙ অমদি মফৈগা মবুক্কা তায়নফমদা পায়রগা থাংবদা অশোক অপন থোক্কন্দে অদুবু অচৌবা য়াম্না লূম্বা ওকশিংদদি মী অনীনা ওক্তুগী য়েৎ ওইগী চগোক মপাদা লেপ্লগা খূৎ নাম্মা নাম্মনা ওক্তুগী মবুক্কা খুমাংগা তায়নফমদা লোনশিল্লগা খূৎশিং কারন চন্না পায়শিনগনি অমদি খূৎ নাম্মা নাম্মনা মনা অনীদু পায়গনি। লোয়নননা অতোপ্পা মী অনীনা খুদুঙগা মবুক্কা তায়নফমদা খূৎ লোনশিন্দুনা খূৎশাশিং কারন চন্দুনা পায়শিন্নগনি। অসুম্না মীওই ৪/৫ চঙদুনা মতম অমত্তদা হৌদুনা ওক অদু থাংনবা হোৎনগনি। হায়রিবা কাঙলোনসিগী মহুত্তা মখোঙ মরিমক শুপ্পুন পুনশিল্লগা মখোঙ অমসুং মবুক্কী কারক্তুদা উ নৎত্রগা ৱানচিংবা লোনশিল্লগা ওক্তু লোংনা থাংগৎলগা পুবীরোইদবনি। মসিদগী মখোঙদা অতেক অকায় থোক্তুনা খুদোংথীবা য়াম্না নংগল্লি।

অসুম্না নীংথিনা শা-ষণশিং ময়ামসি মফম অমদগী অমদা চেকশিন্না পুবিরগদি অশোয় অঙাম য়াওদনা পম্বুং য়ৌবা ঙমগনি। হাৎকদৌরবনি হায়দুনা শাশিংবু লাক্লবা, ৱাহনবা, অকায় অতোয় থোকহনবা হায়বসি তৌহৈদবা অমনি। মসিদা নত্তনা শা-ষণশিং ললোল্লিবা মীওইশিংদসু শেন্দোং হন্থহল্লি হায়বসি নীংশিংজগে। ●

# মতমসিদা ফৌদা তোয়না তাগনবা লায়না

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

ফৌদা তাগনবা লায়না অমদি তীলনাশিং অসি নোংজু নুংশা অমদি ফৌ অদুগী শাহৌগী মতমগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। হৌজিক মণিপুরগী অয়াম্বা লৌফমশিংদা ফৌ অসি মতাং কারকপদগী হৌরগা মপোম লাকপা ফাওবগী চাংদা অয়াম্বা লৈনরি। মতম অসিদা ফৌদা তোয়না তাগনবা লায়না অসি BLB, Blast অমদি Stem rot নি।

BLB :- লায়না মখল অসিগী লায়ওং অসি ফৌনাগী মতোন থংবা মনাশিং অদু কমলা মচু মান্না ঙাংশিল্লক্কনি অমদি ফৌনাগী মতাইশিং অদু অসুম-অসুম ঙাংশিল্লক্তুনা ফৌখোকলোমদা চঙশিল্লক্কনি অদুগা ফৌনাগী ময়ায় থংবা শরুক অদুনা ইশং-শংনা লৈগনি। অসুম্না ঙাংশিল্লকপা অসিদা অরিবা অমদি অনৌবা মনা মখল শুনা থেংনগনি।

লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক Streptomycine অমসুং tetracycline গী মচল য়াওবা হীদাক (Tagmycin, Anucin) ১.৫ গ্রাম ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা গ্রাম ৬না লৌ শঙম অমদা কাপ্পীগনি। মসি নৎত্রগা Bactrinashak হায়রিবা হীদাক অসি গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা হীদাক গ্রাম ২০না কাপ্পীগনি। করিগুম্বা লৌফম অদু মমাঙ চহীদা ফৌ কবোক/ফৌ কমবোং য়াম্না শাৎখ্রবা অমদি কুমসি থারিবা ফৌ অদুসু কবোক/কম্বোং শাৎকনবা ফৌ ওইবা তারবদি BLB অমদি ফৌ চরোং পূন্না ফহনবা ঙম্বা Kocide 2000 শীজিন্নবীগনি।

Blast :- হায়রিবা লায়না অসি ফৌনা লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদগী ফৌনা চরোং লাকপা ফাওবদা তাবা য়াবা লায়নানি। লায়না অসিনা ফৌনাদা (leaf blast) নৎত্রগা ফৌ পাম্বীগী মতাংশিংদা (node blast) নৎত্রগা ফৌ চরোংগী মখোক্তা (neck blast) ওইনা তাবা য়াই। ফৌনাদা তাবা ব্লাষ্টকী লায়ওংদি ফৌনাগী অশাংবা শরুক অদুদা কোহ্লিং মচু মানবা দাগফম মচা মচা খরা লৈবা থেংনরক্কনি। দাগফমশিং অদু মতমগী মতুংইন্না চাওথোরক্কনি অমদি মীৎ মওং মান্না শাংলপ তৌগনি। অসিগুম্বা দাগফমশিং অসিগী ময়ায় অদুনা চরু মচু ওইরগা দাগফমগী ফীবাল অদুনা কোহ্লিং মচু ওইগনি। দাগফমশিং অদু মীৎ মওং ওইনা লৈরম্বদগী অমগা অমগা চাউথোরক্তুনা শম্নখ্রবা মতুংদা মওং মরীল নাইদবা শক্তম অমা ওইরকপা য়াই।







লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌফমদা ফৌনা খরবু মচু ওল্লবদি ব্লাষ্ট তারে হেক্তা হায়। মসি য়াম্না লানবা থৌওংনি। মরমদি ফৌনা ঙাংশিনবা হায়বসি তোঙান তোঙানবা মরম ময়াম অমনা ওইবা য়াই। মরম অদুনা মুন্না য়েংবিরগা অমদি তান্নরগা মদুগী চুন্নবা হীদাক কাপ্পীগদবনি।

লায়না অসিগীদমক Tricyclazole 75% অসি গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগীদমক Tricyclazole গ্রাম ৭০ শীজিন্নবীগনি। অমরোমদা অমুক লায়না অসিদা শীজিন্নবা য়াবা অতোপ্পা হীদাকশিংদি Azoxystrobin 18.2% + defenoconazole 11.4% য়াওবা Amistor Top 29.6% Sc নৎত্রগা Tobuconazole 50% + Trifloxy strobin 25% য়াওবা Nativo 75% WG নৎত্রগা Tebuconazole 25.9% য়াওবা Folicur 25% নৎত্রগা Azoxystrabu 7.1% + Propiconazole 11.9% য়াওবা Apropo নচিংবনি। করিগুম্বা মতমদা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা নাপি হীদাক কাপ্লুবা পম্প নিংথিনা তেংথোক্তুনা লৌফমদা অতোপ্পা হীদাক কাপ্লুরবা মতুং নৎত্রগা পম্প অমদা য়ানগদবা হীদাক্কী চাং হেনজিন্না য়ানবদগী লৌফমগী মচি মচিদা ফৌনাশিং অদু মরীক মরীক লাংনা কংশিল্লকপা থেংনবা মতমদা ব্লাষ্ট ওইরবোই নীংদুনা অরেম্বদা ব্লাষ্টকী হীদাক কাপ্পা য়াওই। মরম অসিনা হীদাক কাপত্রিঙৈ মমাঙদা লায়ওং অদু নিংথিনা য়েংবীদুনা ব্লাষ্টনি-নত্তে হায়বা খঙদোকপীগদবনি।

Stem rot :- ফৌনাগী মখোক থংবা ঈশিংগা তাইনফমদা অমুবা দাগফমশিং লৈবগা লোয়নননা ফৌনাশিং অদু অশংবা মচু মাঙথরকই। অসুম্না অহানবদা হঙ্গাম মপাল মচু ওইরম্বদগী চরু মচু ওইরক্তুনা ফৌনাশিং অদু কংশিল্লকই। ফৌনাশিং অদু ওইফম থোকপা মতম য়ৌদনা কংশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ফৌনা মখোম হানবা (মরূ চঙবা) মতমদা মপূং ফানা হানবা ঙমদদুনা হৈজিৎ হৈগাই ওইবা ফৌ ময়াম অমা য়াওহন্দুনা চাথোক হন্থহল্লি।

লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তি ফৌ থাদ্রিঙৈদা লৌফমগী কাচিন্দা তাওশিন্দুনা লৈরিবা অমোৎপশিং অদু নিংথিনা কোৎথোকপীরগা মাঙহনখিগদবনি। লোয়ন-লোয়নননা লায়না অসিনা নাগন্দবা ফৌগী মখল খনবীবগা লোয়নননা লৌফম অদু অমুক অমুক ঈশিং চিথোকপীগদবনি অমদি মী অতোপ্পদগী ঈশিং চনশিনবা মতমদা ঈলগুম্বা অমা খনবীদুনা লায়না অসিগী মরুশিং তাওশিল্লক্তনবা হোৎনবীগদবনি। লায়না অসিনা শোকহল্লবা ফৌ পাম্বীশিংদগী কন্নবগীদমক Hexaconazole 5% নৎত্রগা Propiconazole 25% য়াওবা হীদাকশিং লৌবীরগা হীদাক মিলিলিটর ১৫না ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা হীদাক মিলিলিটর ১০০গী চাংদা কাপ্পীগনি।

লায়না অসিগীদমক শীজিন্নবা য়াবা অতোপ্পা হীদাকশিংদি Thiophanate methyl অমদি Hexaconazole 5% + Validimycene 2.5% SC য়াওবা হীদাকশিং পনবা য়াই।

মতৌ অসুম্না ফৌ থাবীরিবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌফমদা লৈরিবা ফৌদা উৎথোক্লিবা লায়ওং অদু য়েংবীরগা অমদি অখঙ অহৈশিং নীংথিনা তানবীরগা লায়না অদুগী চপ চাবা হীদাক কাপ্পীদুনা লৌফমদা হীদাক হঞ্জিন হঞ্জিন কাপকদবদগী ঙাকথোক্লসি। লৌফমদা হীদাক হঞ্জিন হঞ্জিন কাপ্পনা লৌ উবদা শেঞ্জং হেনগৎহল্লি অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদসু হু হেন্না চাইথোক্তুনা ঐখোয়না চাগদবা চিঞ্জাক্তা হু হেন্না য়াওহল্লি। মরম অসিনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা হৈশিংনা লৌ উবা মতম য়ৌরে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### চেকতেক অমদি নুঙ-লৈঙোই থাদুনা লম্বী শেমজিনখ্রে

ককচীং, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস): ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন ওইরিবা সোসল ৱর্কর নাওরেম নবচন্দ্র অমসুং ভুবোন এন্দ লৈরেন ব্রিক ফিল্ডগী মপূ নাওরেম নোপুর অনীনা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা লমখাই লৈঙাং পরেংগী লম্বী অমদি ককচীং মখালৌ ইরুম নিংথৌ পরেং, কোলোনি নম্বর-৩গী লম্বী, চেকতেক অমসুং নুঙ থাদুনা শেমজিনখ্রে।

ককচীং লমখাই লৈঙাং পরেং দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি ককচীং মখালৌ ইরুম নিংথৌ পরেং কোলোনি নম্বর-৩, দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা লম্বী শেমজিনবগী থবক অদু নাওরেম নবচন্দ্রনা ভুবোন এন্দ লৈরেন ব্রিক ফিল্ড ককচীংগী মপূ নাওরেম নোপুর য়াওনা দিভলপমেন্ট কম্মিটিশিংগী মেম্বরশিংগা লোয়নননা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনমিন্নখি।

মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা হেন্না খূদোংচানবগীদমক চেকতেক অমদি নুঙ-লৈঙোই থাবীদুনা লম্বী শেমজিনবীবগীদমক পরেং অনী অসিগী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী নাওরেম নবচন্দ্রবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা নাওরেম নবচন্দ্রনা তৌরু-তৌরুবা থবক্তা মায় পাকপা ওইদুনা তুং কোয়না মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বীয়ু হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

নাওরেম নবচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফম কয়াদা অৱাৎ-অপা, লৈরক-খুল্লক্তগা লম্বী ফত্তবদগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচাদবা কয়া থেংনরিবদু য়েংলগা মহাক্না মহাক্কী থাক্তা ঙমজবা খরা পুথোক্লগা শেমজিন-শাজিনবগী থবক অসি পায়খৎচবনি। মখা তানসু ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী চাউখৎ থৌরাং অমদি লৈত-লায়রা কয়াদা মহাক অমদি মহাক্কী ময়াম্বা নাওরেম নোপুরনা অঙম্বা মতেং মখা তানা পাংখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

HL-P/7473/31

### খ্বারোক রিজর্ভ ফোরেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারাশিং থাখ্রে

য়াইরিপোক, ওগষ্ট ৩০ (ঐচএনএস): খ্বারোক রিজর্ভ ফোরেষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মশক খঙদবশিংনা লোগী ৱাংমদা লৈবাক কোৎখিবা মফমশিংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ঙসিদগী উ চারাশিং থাজিন্দুনা খাজিনবা হৌখ্রে।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা য়াইরিপোক বিট ওফিসর এম বিরেননা লুচিংদুনা উয়াল চৈরাও চীংদগী হৌখিবা দ্রাইভ অদুদা থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জগী ষ্টাফশিং অমদি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রামচন্দ্র অমসুং জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটি (জে এফ এম সী) উয়ালগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE CHILD DEVELOPMENT OFFICER**
**ICDS PROJECT IMPHAL WEST-II, WANGOI**

**/Notification**

**Wangoi, the 24th August, 2020**

No. 17/3/2008-ICDS (I/W-II)Appt.: It is hereby notified that the DPC for appointment/ engagement of Main/Mini Anganwadi Workers and Helpers which are lying vacant under the ICDS Project Imphal West-II will be held on 5th September, 2020 at sharp 9.30 AM at Office premises. All the candidates are requested to be present in time.

Further, SOP issued by the State Government and the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India for prevention of nCovid -19 should be strictly complied with during the entire process.

Sd/- **W. INAOMACHA SINGH**
CHILD DEVELOPMENT PROJECT OFFICER
ICDS PROJECT IMPHAL WEST-II, WANGOI

**ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / শেংদোকচবা**

Khurai কেন্দ্রগী Social Worker Heishnam Subhas না ঙরাং কেন্দ্র অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোখ্রবা মফমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়বদা য়াওখিবা Moirangkampu Awang Leikai হায়খিবদু, লৈকাই অসিদি কন্টেনমেন্ট জোন ওইরমদ্রে, Home Quarantine ওইরম্লে হায়না শেংদোকচরি।

*শেংদোকচরিবা :* **Heishnam Subhas Singh**
Social Worker Khurai A/C.
HL-P/7475/31

**ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি**



মখাগী অনাবশিং অসি লায়েংজরি :- চহী ৮০-৯০ শুরবা মতম কুইনা নারবা লায়নাশিং হীদাক-গুলি য়াওদনা য়েংজরি :- কোক চিকপা, ঙাওবা, লূম্বা, লৱাই শাবা, Sinus, নাহি তাবা, খৌনাও তোন্সিল, খোন শিবা, হাবা, ফুনগৎপা, ঙকলি পৈবা, বি পি ষ্ট্রোক, নাতোন মিৎ চিংবা পৈবা, খোঙ-খূৎ শেকপা, খ্বাঙ নাবা, কোনবা তিংহনবা, নাকোং ঙংবা, পংবা, তাবা ৱাৎপা, লোক কংখু অজমা, লাই নুংশিৎ, ঙাওরি-শারিবা, লিন হাৎলুবা, পেরলাইসিস, হাক্কচবা, ব্র-ব্র পৎপা, কেন্সর, ষ্টোন কেস, লীভর কেস, হার্ট শ্বর হোনবা ৱাবা, (পাইলস মখলশিং) ঈ তাবা, চক-চক থিনবা, কক্লাই, পোমথোকপা, শৌজ নান্থবা, য়া-য়ারি পোম্বা, দাইবেটিস, হীদাক গুলি চাররোই, ইন্সুলিন কাপ্পরোই, চীঞ্জাক কক্লরোই, সুগর ৱাংহনদবা য়ারনি, খুকউ-খুনিং, খূৎ পায়থোক-পায়শিন য়াদবা, গাউথ, মীৎ পি তাবা, চিকপা, মশেন-মরাং উবা নোর্মেল পাংবা ঙমদবা, অপোম-অতং হাক্কৎচবা, ফুরি-ফুরাই, শজিং হৌবা, খোংগ্রাই চনবা ঙমদবা, নিঙ্গাং ফম্বা ঙমদবা, লৈয়েং ফাইবা, গ্যাষ্ট্রিক, নুপীগী ফিনুংগী অনাবশিং অমদি অনাবা মখল খুদিংমক মায় পাক্না লায়েংজরি।

*লায়েংফম :-* **Kwakeithel Laishram Leikai**
**Community Hall Achouba Mamang**
**Contact No. 8974671844**
HL-P/7474/31

**/ ‘নুংঙাইরবা পাউনি মীয়ামগীদমক্তা অমসুং থাগৎচরি ওজা ABDUL HAK পু’**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাঙ নাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা অব্দুল হক, Contact No. 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা হকপু থাগৎচরি।

**লায়েংফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

HL-P/7388/31 *থাগৎচরিবা :* **E. Jiban Meitei,** Thoubal Khekman

**/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি**



**Naorem Ibomcha**

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-B/6333/27/08-26/09

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।